২৪শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন্স ২০১৯

# এফ সী লমজাও অমসুং জে এস ৱাই সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ববিনা হেলথ কেয়র এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চথরিবা ২৪শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন্স ২০১৯কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সী লমজাও ককচীং অমসুং জে এস ৱাই সী (কেপিআই) মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৯না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৪শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন্স ২০১৯গী ঙসি এফ সী লমজাওগী গ্রাউন্দদা এফ সী লমজাও ককচীংগী হোম মেচ ওইনা এল ৱাই সী সী দি এস এ চান্দেলগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এফ সী লমজাও ককচীংনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

এফ সী লমজাও ককচীংগী পেনালটি কাওবগী খুদোংবা অমা মেচকী ২৬শুবা মিনটতা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোয় ঈ য়োইকিসন জর্সি নম্বর ১০না গোল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি। এল ৱাই সী সী দি এস এ চান্দেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এফ সী লমজাওনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা মেচকী ৮৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় টি ঐচ য়াইফবা জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। মেচকী ৯০ প্লস থ্রী চৎপা মিনটতা টিমমেট এল কিসন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০দা লৈহন্দুনা মায়পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এল ৱাই সী সী দি এস এ চান্দেলনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এফ সী লমজাওনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

থোমাস গ্রাউন্দদা ঙসি জে এস ৱাই সী কাংপোকপীগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা এস ৱাই এম আর ও পি এগা লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা হাফতা জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী ৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় পাওগুইথাং জর্সি নম্বর ১৬না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

পাওগুইথাংনা চনখিবা পাঞ্জল অদু এস ৱাই এম আর ও পি আই এগী মায়কৈদগী হন্দোক্লবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা জে এস ৱাই সীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরক্তুনা ফজরবা এটেকশিং মথং মথং চথরক্তুনা পাঞ্জল অনী চনশিল্লকখি। পাঞ্জলশিং অদু সৈমিনলুন জর্সি নম্বর ১২না মেচকী ৭০ অমদি পাওগৌথাং জর্সি নম্বর ১৬না মেচকী ৮১শুবা মিনটতা চন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা চাউনা মাঙজিল থানা লৈখি।

পাঞ্জল অহুম শোথরিবা এস ৱাই এম আর ও পি আই এনা ফজনা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ২০১৯

# ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালনা সন ক্লব মোংশাঙ্গৈবু পাঞ্জল ৬-০দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা কে ৱাই সী খুরখুল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালনা সন ক্লব মোংশাঙ্গৈবু পাঞ্জল ৬-০দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাং অমসুং এস ৱাই এস সী সঙাইথেল পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১১না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাং অমসুং এস ৱাই এস সী সঙাইথেল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংগী মায়কৈদগী এ অবিনাস জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ১১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এস ৱাই এস সীনা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা হোৎনরকপনা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা বোলিশ জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফাল অমসুং সন ক্লব মোংশাঙ্গৈ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালনা সন ক্লব মোংশাঙ্গৈবু পাঞ্জল ৬-০দা য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীখি। ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সামসন জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল ২, হেমোচন্দ্র জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল ২, রাজেশ জর্সি নম্বর ১১, এম রোসন জর্সি নম্বর ২০না পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং অহানবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা জে য়ু ভি অমসুং ৱাই এ সী অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা য়ু এস সী অমসুং এম এস ঐচ লম্বা তৌনরগনি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবো ত্রায়ল সেলেক্সন্দা শরুক য়াগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): বরানসিগী এম জি কাশিদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রায়ল সেলেক্সন্দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মীং লাউথোকখ্রে।

ত্রায়ল সেলেক্সন অসি থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হেন্দবোল (মেন এন্দ ৱিমেন) গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

মেন্স সেক্সন্দা শরুক য়াগদবা মণিপুর লো কোলেজগী শান্নরোয়শিং অদুদি এস ঐচ অরুনকুমার, টি ঐচ মেমচা, টি ঐচ সুশিলকুমার, এন সুরজ, এস ঐচ হেনথোই, টি চীংখৈঙানবা, টি ঐচ রোবিচন্দ্র, আই অতোম্বা, টি ঐচ য়াইফবা অমদি এ এনিসননি।

দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতগী সুনন্দ, চাওবা, য়াইফবা, নিভাস, সনাথোই, মোমোচা, সন্তোশ, ফিয়াবারজা, এস মনিচন্দ্র, লুপশেং, এরিশ অমদি চুরেননি।

বি এম কোলেজদগী এস চীংখৈহুনবা, রাজেশ্বর এল, এন রেদিশ, সী ঐচ নীনেল, ও কেকেসন, এস ওপেন্দ্রো, ৱাই থৌঙম্বা, এ পাসরেশ, কে ঐচ জি স্মিকটর অমদি পুলৈরোম্বনি।

ইম্ফাল কোলেজদগী এস রাকেশ, এস অমরজিৎনি। দি এম সী সাইন্সতগী রনবির, রুপচন্দ্র অমদি দেভিদ দুগানন্দনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী কর্নজিৎ, টিকেন, এস পোইরৈ, সী ঐচ নিংথৌ অমদি এম প্রদিপকুমারনি।

ৱিমেন্স সেক্সন্দা শরুক য়াগদবশিংদি বি এম সীদগী টি ঐচ রেবিকা, রোমা, টি ঐচ অঞ্জুবলা, টি ঐচ কবিতা, ঐচ নেনিলা চনু, সোনিয়া, পুর্নিমা, মোনিকা অমদি প্রিয়ানি।

দল্লিয়ু এম জি সীদগী শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি ঐচ অবেম্না, এল উবাপতি, এল আশালতা, ও রঞ্জিতা, কে ঐচ দেভিকা, এল জি বোনিতা, এন হেমা, এন রাজি, এন প্রিয়াঙ্কা অমদি ৱাই বিজেতানি।

দি এম সী সাইন্সতগী শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ জেনিলা, আশা, সঙ্গিতা, ৱোকুহৈলুই, জেনি অমদি মোনিকানি। অদুগা দি এম সী আর্টসতগী শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ নৌতেশ্বরি, এস প্রেমতোন, লোয়ালেম্বী, জি নল্লিনি অমদি ঈ শিল্লানি।

৫শুবা গোপালদেব কাংক টুর্নামেন্ট

## থাংমৈবন্দ কাংখূৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা ৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা থাংমৈবন্দ কাংখূৎনা য়াইস্কুল কাংখূৎপু পাঞ্জল ২১-১৯দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা য়াইস্কুল কাংখূৎনা অহানবা অমদি অনীশুবা হাফতা পূন্না পাঞ্জল ১৯ চনখি। অদুগা থাংমৈবন্দ কাংখূৎনা পূন্না পাঞ্জল ২১ চন্দুনা য়াইস্কুল কাংখূৎপু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

## ৩১শুবা সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খা মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দগী ১৫ ফাওবা ৩১শুবা সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ (মেন এন্দ ৱিমেন) লাংমৈদোং প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা য়ুনিটশিংনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১গী মাঙওইননা এন্ত্রি ফী লুপা ৫০০ (টিম অমমমদা) লোয়ননা আর্চর অমনা তোঙানবা ফী লুপা ২০০ পীদুনা ইন্দিভিজুএল এন্ত্রি তৌবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা মিনি য়ু-১৪ আর্চরশিংদি য়াওবগী খুদোংচাবা লৈরোই হায়রি।

## জিম্নাষ্টিক্কী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : রাজস্থানগী জোধপুরদা দিসেম্বর ২৫দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২৮শুবা সব জুনিয়র আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক টিমদা শরুক য়াগদবশিংগী ওইবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩০দা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। নুপামচাগী কাঙলূপ্তা য়ু-১০, য়ু-১২, য়ু-১৪ অমসুং নুপীমচাগীদনা য়ু-১০, য়ু-১২গী চহী কাঙলূপ্তা লৈবা ওইগনি। অধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩০নি হায়রি।

## ৫৮শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০১৯ হায়না মীংথোল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর বোদিবিল্ডর এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) না শীনগনি হায়না তৌরম্বা ৫৩শুবা মিনষ্টর মণিপুর ২০১৯ অদু ৫৮শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০১৯ হায়না মীংথোল্লগনি। এ এম বি বি এগী এগজিক্যুটিব বোদিনা য়াম্না কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা চহী ৫গী টাইটল চথরম্বা অদু হাপচিঞ্জরগা ৱারেপ অমা লৌখি। লোয়ননা লোকেন্দ্রো মঙাং, ফর্ষ্ট মিষ্টর মণিপুর ১৯৫০, টি নবকুমার ফাউন্দর জেনরেল সেক্রেটরি এ এম বি বি এ, ১৯৭৩ অমদি এল গৌরমনি প্রোমিনেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটর এ এম বি বি এ হায়রিবা ওজা অহুম অসিগী খূৎয়েক পীবীদুনা টাইটল ৫ অসি হন্দক চহীদগী হাপচিনবদা য়াবীরে। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না চিংথ-নান্থবা অমদি তাথোক তাশিন তৌবীনীংবা লৈরবদি এ এম বি বি এগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা খঙহনবীরক্লবসু ফোঙদোরক্লি।

# নেরোকা এফ সীবু মখা তানা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএন এস): নোর্থ ইষ্টর্ন রি-ওর্গনাইজেসন কলচরেল এসোসিএসন (নেরোকা) বু মখা তানা মীয়াম্না শেল ওইনা নৎত্রগা পোৎ চৈ ওইনা মতেং পাংবীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মনিমোহননা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নেরোকা কুমজা ১৯৬৫দগী শংঙাকফম বজারদা ওফিস ওইদুনা শাফোঙলকখি। ফুটবোল ক্লব অমা ওইনা কুমজা ১৯৭২দা মণিপুর সোসাইটি রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯৬৯গী মতুং ইন্না রেজিষ্ট্রেসন ফংদুনা ফুটবোলগী লমদা খুমাঙ চাওশিনখি অমদি ষ্টেটকী মনুংদা শিনবা টুর্নামেন্টশিং য়াওবা হৌরকখি।

কুমজা ২০০০দা ৪৪শুবা সী সী মীট চেম্পিয়ন ওইদুনা ক্লব অসিগী হৈথোই-শিংথোইবা উৎপা ঙমজখি। হৌখিবা ৬২শুবা ফাওবদা সী সী মীট ৬লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৪দা অহানবা ওইনা ৯শুবা এম এস এল চেম্পিয়ন লইদুনা অহানবা ষ্টেট অসিগী ক্লব অমা ওইনা হিরো আই-লীগ ২০১৫দা সেকেন্দ দিভিজন য়াওবা ঙমজখি। থংনবা চহী ২০১৬তা সেকেন্দ দিভিজন চেম্পিয়ন ওইদুনা অহানবা ষ্টেট অসিগী হিরো আই লীগ ফর্ষ্ট দিভিজন চংবা ক্লব অমা ওইখি। কুমজা ২০১৮ ফাওবদি ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা মরু ওইনা মপূং ওইবা দোনর ওইবিদুনা আই লীগ শান্নজবা ঙমখি হায়রি।

হৌজিক চথুগদৌরিবা হিরো আই লীগ ২০১৯ অসিদদি কলেক্টিভ স্পোন্সরশিপ/দোনরশিংগী মতেংনা শান্নজরগনি। মপূং ওইবা স্পোন্সর/দোনরশিং অদুদি লিভিং থ্রী দি মলেসিয়া, ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলস চীংমৈরোং, লিক্লা, চীংমৈরোং, অরুন এন্টরপ্রাইজেস চীংমৈরোং, আই য়ু এস এম কোলকটা, বিকি ত্রান্সফোর্ম পঞ্জাব অমসুং খোরি আর্কেদ ইম্ফালনি। লৈবাক মীয়াম ইরৈচাশিংদা ইকোক নোন্না নেরোকা এফ সীগী মহুৎ শিঞ্জরগা ফুটবোলবু চাওখৎহনবীয়ু, নেরোকাবু নুংশিবীয়ু হায়নসু পাওজেল্লক্লি।

সিজন অসিগী ওইনা নেরোকা এফ সীনা থল্লিবা টিকেটশিংদি ভি আই পিদা লুপা ২০০, গেলরিদা লুপা ৩০ অমসুং সিজন কার্দ : ভি আই পিদা লুপা ১৫০০ অমদি গেলরিদা লুপা ২৫০নি। হায়রিবশিং অসিদগী টিকেট ককপীদুনা ফুটবোলবু চাওখৎহনবীয়ু অমদি নেরোকা এফ সীবু নুংশিবীয়ু। মসিগী মথক্তা নেরোকা এফ সীগী লাইফ মেম্বর ওইবীয়ু অদুগা ওইবিখ্রবশিংনা রিন্যু তৌবীদুনা দিসেম্বর ৬, ১০; জন্যুৱারী ১৪, ১৭; ফেব্রুৱারী ২, ১১, ২১; মার্চ ৩ অমসুং ১৪দা নেরোকা এফ সীগী হোম মেচশিংদা মীৎয়েং তাবীয়ু হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মাবাগী অনৌবা মেম্বরশিপ এনরোলমেন্ট তৌবা য়ারগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ) অনৌবা মেম্বরশিং এনরোলমেন্ট থা অসিগী ২২দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা তৌবা য়ারগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি। এনরোলমেন্ট অসিগী ফোর্মনা নুংথিল পুং ১.৩০দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনা, মাবাগী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। এপ্লিকান্টশিংনা মশাগী চহী ১৮ মথক অমদি ৭০ মখাদা লৈবা ওইগদবনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।




HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.




HL-B/5814/22-6dec.




HL-B/5780/2nov.to28dec.




HL-B/5749/17oct-16nov.

## EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Manager | Graduate / Master (Computer Know) | 2 | Negotiable | 30-45 | H.Q |
| 2 | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | 2 Each | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang |
| 3. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 20-40 | H.Q |
| 4. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 5. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 6. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 9 | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 20-35 | H.Q |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 25th Nov.,2019.

**L.G.MOTORS (H.Q)**, KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.

HL-B/579/2nov. to 30 dec. Pleased Contact: 8787727402

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com